ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ১২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৯৭শুবা মশীং

কোভিদ-১৯গা শাগোন্নরিবশিং তাথীনা তৌবীবা

খুন্নাইগী ৱাখল্লোন মপূং ফানা হোংদোকহনবা ঙমদ্রি

কোভিদ-১৯না মালেমগী মফম পূম্নক্তা অকনবা চৈথেং অমা পীরক্লি। লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপনা শেন্মীৎলোন্দগী হৌরগা মহে-মশীন তন্বা অমসুং নোংমগী শিন্থা পাঙবা য়াওনা হীরম খুদিংমক্তা খুরৌ থাংহল্লে। চাইনাদগী ইহান-হান্না শন্দোরকখিবনি হায়না থাজনরিবা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লোকদাউন থমদুনা মখল কয়াগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলবসু ইন্দিয়ানা হৌজিক মালেমদা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরক্কদৌরি। হৌজিক-হৌজিক অনলোক্কা মরী লৈনবা থৌরমশিং লৌখৎনদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিন্নবা হোৎনরবসু হীরম খুদিংমক হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহনবা হায়বসি অরায়বা থবক ওইগনি নীংদে। খন্ননীংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি কোভিদ-১৯গী মতাংদা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং কদায় ফাওবা শীংথানীংঙাই ওইরবগে হায়বদুনি। গ্রীন জোন ওইরম্বা মণিপুরদা মতৌ করম্না হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়ৌরক্লিবনো হায়বদুগী মতাংদা অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংলুবা তারবদি লৈঙাক্কী থৌশিল-থৌরাং পূম্নমক মতিক চায় নৎত্রগা চাদে হায়বা ইরায় লায়না খঙবা য়ারে। কোভিদ-১৯গী কেস অমত্তা লৈত্রিঙৈদা লোকদাউন তৌরগা কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্তুনা মালেমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ইন্দিয়ানা ওইরক্কদৌরিবা মতমসিদা অনলোক তৌরিবসিনসু লৈঙাক্কী থৌশিল হৈতবা মতৌ উৎথোকচরে হায়না লৌবদা লানগদবা মান্দ্রে। খ্বাইদগী লাইবক থীরিবদি মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক্তা লৈঙাক পায়বনা মরু ওইবা হেল্লি হায়বগী মওং মানবা থৌওং কয়া লৈঙাকলোয়শিংনা চৎথরকপগুম তৌরিবসিনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীপূম খুদিংমক ৱাখল তাহনবা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি। লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসিদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা মীৎকুপ খুদিংগী প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মীদিয়াগী খূত্থাংদা এৱেয়রনেস কেম্পেয়ন চথুজরবসু কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবদা মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা ফ্রন্টনলাইন ৱারিয়রশিং অমসুং লায়না অসিগা শাগোন্নরিবা মীওইশিংদা করম্বা মীৎয়েংনা য়েংবগে হায়বদুগী মতাংদদি মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই।

লমদম অসিদা হেল্থকেয়র ৱর্করশিং অমসুং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং তাথী-তাওইনা তৌবিবগা লোয়ননা ক্রিমিনেল অমগুম লৌবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মীপূম খুদিংমক ৱাখল তামিন্নবা তঙাইফদ্রে। তমথীবা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিং ফাওবা ৱায়েলশঙদা মপূং ফানা ৱায়েল চথুরগা মরালগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীনরিবনি। ফনমক মরাল লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবা তারবসু ৱায়েলশঙনা অরোইবা ৱায়েল লাউথোক্ত্রিবা মীৎকুপ অদু ফাওবদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মরাল লৈরে হায়না লৌবা য়াদে। মসিগীসু মথক্তা মরাল লৈরবা মীওইশিং ফাওবা ৱায়েলশঙদা মশা কঞ্জনবগী খুদোংচাবা পীনরিবনি। অদুবু ৱায়েলশঙ লৈরি হায়বগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবা মওংদা হৌজিক লৈকায়-লৈকায়দা মীয়াম্না অমসুং খুন্নাইনা হীরম খুদিংমক্তা ৱায়েলবগী থৌওং চথুরকপদা থিংবীনবা লৈত্রে হায়বা য়াই। মণিপুরদা হৌজিক মখল-মখা কয়াগী ক্রাইম থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপগা ইরোয়ননা ‘মোব জস্টিস’ নৎত্রগা ‘মোব ত্রাইয়ল’ হায়না খঙনবা লৈকায় মীয়াম্না ৱায়েলবগী থৌওংসু অসুম-অসুম হেনগৎলকপগুম তৌরি। ক্রাইমদা চেন্নে হায়না চিংনবা মীওই অমগী ময়ূম-মকৈ শীদোক্লগা মৈ থাদোক্তুনা করিসু খঙজদবা অতৈ মীওই কয়াবুসু অৱাফমদা তাহনবা য়াওরি। কনাগুম্বা অমনা মরাল লঙজরুরগা মীওই অদুগী ইমুং হুপ্না চৈরাক পীবগী মওংদা ময়ূম-মকৈ শীদোকপা অমসুং লৈকায়দগী তান্থোকপদা থিংবীনবা লৈতে হায়বা য়াই। তমথীবা মরাল লঙজরুরিবা মীওই অদু অতম্নানা ফৎতবা থবক তৌনবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ইনশিনবা নৎত্রগা পূক্নিং থৌগৎপা নত্তে হায়বা খন্থনদবগী মওং অমা উবা ফংলিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। হৌজিক-হৌজিক মালেমগী মফম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী মতাংদসু অদু মঙায়রে। লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি অতম্নানা পোজিটিভ ওইহল্লগা অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোক্লগে খনবা মীওই অমা ফাওবা লৈরমগনি নীংদে। শোয়বদগী নৎত্রগা চেকশিলহৌদবদগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই কয়াসু অতোপ্পা মীওইশিংদা লায়না-লাইচৎ অসি অতম্নানা শন্দোক্লগে খল্লমগদবা মান্দে। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু তাথী-তাওইনা তৌফম থোক্তে। নারুবদগী ফগৎলক্লবা মীওইশিংবু লৈকায় মীয়াম্না ময়ূমদগী মপান থোরকপা য়ারোই হায়না অথিংবা পীরিবসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। লৈঙাক্লা খুদোংথীনীংঙাই ওইদ্রে, ময়ূমদা হনবা য়ারে হায়না থাদোরক্লবা মীওইশিংবু লৈকায় মীয়াম্না ক্রিমিনেল অমগুম লৌরিবসি খুদক্তা লেপহন্নবা মরী লৈনবশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩

১। লমদম অসিগী শক্লাইরবা কবি অমগী অফাওবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তা য়াওবা, করি শৈরেংদগীনো হায়য়ু।

“নুংশি-খোঙফম অহানবা পাম্মু নঙ্গী কাদনি;
নুংশি-শৈশক অহানবা পাম্মু নঙ্গী নাদনি..
চীঙ্গী খোইমু শাহুল তম নুংশি-কাইহৌ শৈরেং লেং,
হেম্মোইনজ মুনা য়েং হেদৌনজ চিংনা য়েং,
নাপ্পচীক্ল নঙ্গী কা শক্লম্লেদো কয়া ঙং,
নুংশি-খুদোল ফংবরা লৈশিল লৈশিল লৈখোং শঙ!
নোংচুপ চীঙ্গী কোরৌ ওই খূনীং মোইদোন কাঙন কাঙ
খাঙলম্লেদো কয়াম্ম নুংশি, নঙ্গী খরায় লাং!”

২। “মদন কাম অমসুং চিন্তামনি স্বয়ম্বর” হায়বা ফাওরবা লাইরিকসি মণিপুরীদা গোকুলানন্দ সিংহনা হন্দোকপনি। চীন্থাং ৱারীদগী লাইরিক ওইনা ইথোকখিবা অইবদু কনানো অমদি করি লমগী ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইবা লাইরিকনো?

৩। মাহাত্মা গান্ধীগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মণিপুরীদা ইহান হান্না কনানা করি মমিং হায়না থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৪) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা সাহিত্যগী লম্দা পীবা “যামিনি শুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল” অসি য়াম্না লীরবা অমসুং ইকাইখুম্ননিংঙাই ওইবা মনানি। মনা অসি ইহান হান্না কনানা ফংখিবগে?

৫) এলাংবম নীলকান্ত সিংহগী মমিং চৎলবা শৈরেং “নিংথৌখোংগী চন্দ্রশখি” হায়বসি অফাওবা কবি অমগী মমিং য়াম্না চৎপা শৈরেং অমনা ঈথিল পীবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা শৈরেংদু করিনো? কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লৌমীশিংগী কাখল

লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q. ফৌ শাৎপা লোইশিল্লক্লে, পুমলোই লোইবমক্তি নৎত্রি অদুবু কম্বোং য়াম্না শাৎপনা মরম ওইরগা ফৌ পান্বীশিংদু লেংলুবদা উফুল হৌবগুম কম্বোং মফোল য়াম্না পাইথোরক্লে। মসিবু করি হীদাক কাপ্পগা ফহনবা য়াগদগে?

– নবকুমার, ফয়েং

☞ ফৌ কম্বোং (ফোলস স্মট) হায়বা লায়নাসি ফৌ শাৎপা লোইরবদি হীদাক কাপ্পগী কান্নবা লৈররোই। ফৌ শাৎপা তঙ্খাই চল্লকপা মতমদা Mancozeb নৎত্রগা Copper hydroxide কাপনৈ। শাৎপা লোইরকপা মতমদা অনীরকশুবা ওইনা অমুক হন্না কাপকনি।

হৌজিক্তি হীদাক্তু কাপ্পগী মতম হেল্লে। কান্নবা ৱাৎলনি। শেল চঙবনা হেল্লনি। কুমসিদি কাপ্পরোইসি।

Q. অৱাথবী পান্বী ১০০ মুক ঙায়োক পুখ্রিগী অকোয়বদা থাজৈ, ফজনা পাল্লে। অদুবু লশিং মানবা অঙৌবা মফোলনা য়োমশিনবা তীল ময়াম অমা নপ্তুনা লৈরিবসিবু করম্না ফহনগদগে খঙজনীংই।

– ইবোয়াইমা, নম্বোল

☞ তীলদু Mealy bug শোয়দনা ওইগনি। তীলসি ফহনবা য়াই। অদুবু Clothianidin 50% WDG (Dantotsu) গ্রাম অনী ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা স্প্রেয়র মখুম খুমজিল্লমদাইদা Solostic মিলিলিটর মঙা হাপহৌগনি। তীল তারিবা অৱাথবী (মহৈ) অমসুং মরু ওইনা তীল য়াম্না নপ্লিবা মনাগী মখা থংবা মায়কৈসু (মনাগী মনমলোম থংবা শরুকসু) মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোক্কনি। নুমিৎ তরেৎনি শুবদা অনীরকশুবা ওইনা অমুক কাপথোক্লবদি তীল কোকপা ঙমগনি। অদুবু তীল মখল অসি পান্বী খুদিংদা তাবা ঙম্বা মরম্না ঙল্লিঙৈদা হাত্তোক্লবা হোৎনগদবনি।

Q. ফৌ শাৎপা লোইশিল্লক্লে। লৌফমদা লৈরিবা ঈশিংসি মতম খরা থমখিগদ্রা নৎত্রগা থাদোক্লগদ্রা? হেন্না ফগদবদু হায়বীরকউ।

☞ ফৌ শাৎপা লোইশিল্লক্লবদি ঈশিং থাদোকখিবা য়ারে। ঈশিং কুইনা থম্বনা ফৌ মরূদা ঈশিং ঈনিলগী শরুক ৱাংহল্লি। চাদা ২০দি শোয়দনা য়ৌখি। কংহনবা ৱাই। কোত্তা ফৌজুম ইনবদা মতেং পাংশিল্লি।

অদুবু লৈঙোই লম ওইরপ তৌবা লৌফমশিংগীদি য়াম্না থুনা কংখিগদবা মরম্না ফীভম য়েংবা চংই। ফৌ খাওবা মতমদা লৈখোম থোক্তনবা হোৎনসি।

Q. ঐগী লৌ শঙম অমখক লৈজৈ। লৌফম অসিদা তম্ফা হায়রিবা ফৌ মখল অসি থাজৈ। হায়রিবা ফৌ মখল অসি ‘নেক ব্লাষ্ট’ হায়বদি চরোং চিকথৎপী হায়বা লায়না মখল অসি য়াম্না তোয়না তাগনবা থেংনজৈ। হায়রিবা লায়না মখল অসি তারক্তনবা ঙল্লিঙৈ মতমদগী করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে অমদি করি হীদাক কাপকদগে অমদি লায়না অসি করি মরমদগী/শোয়বদগী ফৌদা তাবা হৌরক্লিবনো?

কনাগুম্বা খরনা ষণগী ময়ুং কাপথোক্লবসু ফৈ হায়নৈ। মসি কয়া য়াম্না চুম্বনো? চুম্লগনা ফৌগী করম্বা ষ্টেজদা কাপকনি অমদি চাং কয়া য়াম্না কাপকনি, শেংনা অমুক্তা তাকপীরকউ।

– কাংজম হেমন্ত, লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়

☞ নেক ব্লাষ্ট লাক্তনবা ফৌ শাৎত্রিঙৈ মতমদগী চেকশিনবা চঙই। ফৌনাদা মিৎ মওং মানবা দাগশিং – লিফ ব্লাষ্ট উবগা Tricyclazole 75% WP গ্রাম ১০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙম অমগীদমক হীদাক গ্রাম ৭৫ কাপথোক্কনি। থংনবা লৌফমশিংদা দাগশিং অসি উরগসু হীদাক কাপকনি।

দাগ অমদগী কোকফাই মরূ ২৫০০-৭০০০ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী। কোকফাই মরূশিং নুংশিৎনা হুমদুনা পুই। ফৌ চরোংগা থংননা লৈরিবা চপ য়ুংবা মনা (ফ্লেগ লিফ) দা নপখ্রবা মতুংদা অহিংগী লিক্লাগা লোয়ননা চেন্থরক্তুনা চরোংগী মখোক অমসুং মনাগী মখোক্কা তাইনরিবা মফমদুদা তুংলগা লৈখি।

কোকফাইদুনা হৌরবা মতুংদা মফমদু খামদেকই। মতম খরগী মতুংদা পান্বী চাউবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা দাগশিং মথক লোমদা ইনখৎলকই। মরম অসিননি লায়না অসি ফৌ চরোংগী মঙক্তা লৈরিবসি।

লায়নাসি থেংনরবসু মখা তানা শন্দোরক্তনবা Tricyclazole কাপকনি।

ষণয়ুং কাপ্পগী কান্নবা খরদি লৈ অদুবু লায়না অসিগা মরী লৈননা অমসুং লায়নাসি ফরক্কনি খন্না কাপ্পদি তৌবীদবনা হেন্না ফৈ। মতম মাঙগনি। কোষ্ট ইফেক্টিব ওইদে।

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

ফৌমাং লৌথোক্তুনা (রোগিং তৌদুনা) অফবা অশেংবা ফৌদি পুথোক্লসি

- এস সুমঙ্গল -

ফৌমাংনা থল্লবা লৌবুক

ফৌমাং য়াওদবা লৌবুক

ফৌরক লন্বী

রোগিং করিনো : চাননবা থারিবা নৎত্রগা ফৌদি পুথোক্লবা থারিবা লৌফমদগী থারিবা ফৌদুগা মান্নদবা অতোপ্পা ফৌ মখলশিং অমদি নাপি মরূ পানবা নাপিশিংগা লোয়ননা লায়না তীলনা চেনবা পান্বীশিং খন্দোক্তুনা লৌথোকপবু রোগিং হায়না খঙনৈ।

রোগিংগী পান্দম : রোগিংগী পান্দমদি অফবা অশেংবা ফৌদি পুথোকপনি।

করম্না ফৌয়ান হৌরকপগে : ঐখোয়না থারিবা ফৌ অদুদা মান্নদবা অতোপ্পা ফৌ মরূ অমত্তং য়াওখিবা মতমদা মদুনা হৌরক্লিবা ফৌ পান্বী অদুনা মচা ১০ পোকপা মতমদা মচা অমমম্না মরূ ২০০-২০০ পাল্লে হায়না খল্লসি। মচা ১০ অদুনা ফৌ মরূ ২০০০ পুথোরক্লনি। মদু কোত্তা হৈজিনখ্রগনি। মথং চহীগী থানবা ফৌদি কোৎ অদুদগী পেক্তুনা শীজিন্নবা মতমদা অতোপ্পা ফৌ মরূ অদু খরদি শোয়দনা য়াওরক্লনি। মদুনা অসুম য়ানশিল্লকপনা মমৈথংদদি ইশানা থারিবা ফৌ অদু করম্বনো হায়বা খঙদবমখৈ ময়ান তুয়ান, অৱাং অনেম, অঙন-অথেঙ কয়ানা থল্লবা ফৌয়াম হৌবা লৌবুক ওইরগনি। অসুম্না, কোয়না চৎপা মতমদা লৌফম কয়াদা দোলান শানা ফৌ মখল কয়া হৌবা লৌবুক কয়া অমা থেংনরিবদুনি। হায়রিবা থৌওংসিনা ফৌ ভেরাইটি অমা মাঙখিনবা মচাকসু ওইহল্লি। ফৌমান য়াওরকপগী অতোপ্পা মরম খরদি থারিবা ফৌ অদু নত্তবা হান্না লৌবুক অদুদা হৌরম্বা ফৌ য়াওশিল্লকপা, মদুগা থারিবা ফৌগা চারৌ মৌরৌনরগা মথং মথং সেগ্রিগেসন হায়দনা থৌওং অমা থোক্তুনা মান্নদবা ফৌ মখল কয়া অমা ওইরকপা, ম্যুটেসন থোক্তুনা ওল্লকপা, থারিবা ফৌদি অদুদা বোরাদগী নৎত্রগা অতোপ্পা মফমদগী অতোপ্পা ফৌ মরূ য়াওশিল্লকপা কয়া অসিনা অমাঙবা ফৌ কয়া অমা য়ানশিল্লক্লবা মচাক ওই। অসুম্না য়ানশিন্ননা হৌরবা লৌফম অদুদা ফৌ লোকপা মতমদা চাথোক য়াম্না হন্থন্নবা মচাক ওইহল্লি।

রোগিং করম্বা মতমদা পাঙথোক্কনি : লৌহোন ওইরিঙৈ মতমদগী হৌরগা ফৌ লোক্লমদাই মতম ফাওবা তাঙ্কক কয়াদা ফৌমাং খন্দোকপগী থবক পাঙথোকপীগনি। য়াম্না চেকশিন্নিঙাই ওইবা মতমদি ফৌ মপান শাৎপা হৌরকপা মতম অসিনি হায়বা তাই। মতমসিদা ফৌ চারৌ মৌরৌনখিবা খুদোংথিবা অদুগী চাং য়াম্না ৱাংই।

রোগিং তৌবদা লায়নবা করি পান্বে তৌগনি : ১) পরেং নাইনা থাবা : মসিনা পরেং নত্তবদা হৌরকপা পান্বী অদু অতোপ্পনি হায়বা লায়না খঙবা ঙমহল্লি।

২) পান্বী অমমম থাবা : পান্বী অমদগী হেন্না থাবা মতমদা হৌমিন্নরিবা ফৌশিংদগী অমাঙবা ফৌ খন্দোকপা লুহল্লি।

৩) ফৌরক লন্বী খাকপা : মসিনা ফৌরক্তা চঙদুনা ফৌমাং খনবদা লায়হল্লি।

মরু ওইবা তাঙ্ককশিং : ১) লৌহোন ওইরিঙৈ মতম

২) লিংথোক্লবা মতুং মপান শাৎত্রিঙৈ মতম

৩) মপান শাৎপা হৌরকপা মতম

৪) ফৌ লোক্লমদাই মতম

৫) অতৈ অতৈ মতম ফৌমাং হেক উবদা

ফৌমাং করম্না খঙগনি : ফৌগী তাঙ্কক কয়াদা ফৌমাং খঙননবা পান্বে খরা লৈ মদু খরা থমজগে। পূম্নমক্কী মাঙওইননা ইশানা থারিবা ফৌগী শাওং শাদা চঙবা মতম, ফৌশক মুন্না খঙবা হায়বসিদি য়াম্নমক মরু ওই। মদুগা মান্নদবা অদু ফৌমাঙনি। হৌরিবা পান্বীশিংগী মরক্তা মান্নবা অয়াম্বা অদুনা থারিবা ফৌ অদু ওইফম থোকই। মরক্তা মান্নদবশিংদুনা ফৌমাং ওইফম থোকই।

১) লৌহোন ওইরিঙৈ - ফৌগী অৱাংবা, ফৌখোক্কী মচু, মনাগী শাওং অমদি মচু।

২) ফৌনা চাওখৎলক্লিঙৈ - ফৌগী অৱাংবা, ফৌনাগী পাকপা অমদি মচু, চপ য়ুংবা নৎত্রগা হাইথবা/লুকথবা, মতাংগী মচু, মতু চোম্বা চোমদবা, মনাগী মখোক্কা মনাগগী তাইনফমদা পাল্লিবা মতু/মকোই অমদি চেগুম পাবা/থেবা মনা মানবা অনী অদুগী মচু খেন্নবশিং, ফৌ-খাক্কী মচু অসিনচিংবা মুন্না য়েংবীগনি।

৩) মপান শাৎলমদাই - তরেংয়োৎ ঙন্না শারকপশিং, (য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০-১৫ ঙনখৎনা)। মখোয় মপান ঙন্না শারক্লনি। ফৌমাংনি।

৪) মপান শাবা মতম - নুমিৎ ১০-১৫নি ঙন্না নৎত্রগা থেংথনা মপান শাবা পান্বীশিং, ফৌশাৎ মান্নদবশিং হায়বদি ৱাংখৎনা শাবা, মসা ফন্দোকপা মান্নদনা শাৎপশিং, মপানগী মতোনগী মচু মান্নদবশিং অসিনচিংবা মুন্না য়েংবীগনি।

৫) ফৌ খাওরমদাই - ফৌ মরূগী মচু, মতু চোম্বা চোমদবা, চরোংদা ফৌ কুংনা পানবা-পান্দবা, ফৌ মতুম তাবা-তাদবা, ফৌ মরূগী চাউবা পিকপগী মওং, ফৌ মরূগী মতোনগী মচু, পান্বীগী অৱাংবা অসিনচিংবা মুন্না য়েংবীগনি।

চেকশিনৱা খরা : ১) ইশানা থারিবা ফৌগী মশক মুন্না খঙবা

২) ফৌ পান্বীশিংবু মুন্না য়েংবা

৩) চেকশিন্না ফৌমাং ফুকপা - অতোপ্পা পান্বী শোক্তনবা হোৎনবা।

৪) চিংবু চিংনরবদি হেক্তা মীনুংশি য়াওদনা লৌথোকপা।

৫) নৌরিঙৈ ফুক্লবা ফৌ পান্বীশিং ফুমজিন্দুনা পৎহনখিবা।

৬) ফৌনা লিরবা মপান শাবা মতমদা ফুকপা পান্বীশিং থাপ্না পুথোকখিবা নৎত্রবদি ফুক্লবা পান্বীদা মপান শাৎপা য়াওরকপা য়াই। ফুকপা ঙমদ্রবসু মখোঙ থেংনা ককপা কাউরোইদবনি। নৎত্রবদি অমুক য়াম্না থুনা চোংলক্তুনা মপান শারকপা য়াই।

থমজরিবা খরা অসিদা মুন্না খন্থদুনা ফৌমাং মতম চানা লৌথোক্তুনা অফবা অশেংবা ফৌদি পুথোক্লবদি ফৌ থাবদা শেন্দোংসু ফংগনি, মীয়ামগী মফমদা অফবা ফৌদি ফংহনবগী নুংঙাইবা, পেঞ্জবসু ফংগনি। লোয়ননা পূম্নমক্কীসু য়াইফবা ওইগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।